থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

সেভেন্থ পে অমদি ইলেক্ট্রিসিতি-ইমপ্লোয়ীশিং

‘পে কম্মিসন’ হায়বসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া’না, গভর্ণমেন্ট’তুগী মখাদা থবক তৌরিবা মীওইশিং (ইমপ্লোয়ীশিং) অদুগী খুৎশুমল (তলব), মতম মতমগী মতুংইন্না হেনগৎহন্নবগীদমক শেম্বা ‘থিজিন-কাঙলুপ’ অমনি। ইন্দিয়াগী অহানবা ‘পে কম্মিসন’, লৈপাকসিনা নীংতমদ্রিঙৈ ১৯৪৬ জান্যুঅরী থাদা লীংখৎখি। শ্রীনিবাস ভরাদচারিয়র’না চ্যেরমেন ওইবা কম্মিসন’দুগী রিপোর্ত, ১৯৪৭ মে থাদা মতমদুগী ইন্টরিম গভর্ণমেন্ট’তা লানখৎখি। ১৯৪৭ ওগষ্ট ১৫, ইন্দিয়ানা নীংতম্বা লৈপাক ওইরকখিঙৈদগী, গভর্ণমেন্ট’না মহাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংগীদমক কম্মিসন তরেৎলক শেমদুনা মখোয়গী খুৎশুমল হেনগৎহনখ্রে। ইমপ্লোয়ীশিং অসিবু সিভিল অমসুং মিলিতরি দিভিজন হায়দুনা কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোকই। চাউরাক্লা কম্মিসন অমগী মতুং চহী তরা লৈরগা অতোপ্পা কম্মিসন অমা শেমদুনা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংগী তলব হেনগৎহনবগী থবক তৌবসি, কম্মিসনদু শেম্লবা মতুং থা তরানিপানগী মনুংদা রিপোর্ট পীগদবনি হায়বই ৱাফম থল্লবসু অনীশুবা কম্মিসনদগী হৌরগা অমুক্তা মতম চানা রিপোর্ট সবমিট তৌখিদে। অসুম্না, রিপের্ট’তু থবক ওন্থোকপসু মতম চানা ঙমখিদে। মথং মথং শেল্লকপা পে কম্মিসনশিংগী মরক্তা খ্বাইদই ৱাথোক চাউবসি মঙাশুবা পে কম্মিসন অদুনা ওইখি। ৱর্ল্ড বেঙ্ক’না ইন্দিয়াগী মঙাশুবা পে কম্মিসন অদু লৈবাকসিগী ইকোনোমি অমদি চাউখৎ থৌরাংদা খ্বাইদগী কনবা চৈথেং পীখিবা, অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়না ফাওবা মরাল শীখিবনি।

জষ্টিস অশোক কুমার মাথুর’না লুচিংবা ৭শুবা পে কম্মিসন, ২০১৬ জুন ১দগী চৎনবা হৌগদবদু, সেপ্টেম্বর ২৫, ২০১৩দা মতমদুগী ফাইনান্স মিনিষ্টর (পি চিদম্বরম)না লাউথোকখি- প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা সেভেন্থ পে কম্মিসনগী রিকম্মেন্দেসন অয়াবা পীখরে। অদুবু, এ কে মাথুরনা লাউথোকখিবদি ২০১৪, ফেব্রুৱারী তারিখ মরীদনি। সরকারগী অয়াবা ফংখিবনা, মনমোহনগী লৈঙাক তুদুনা মোদি-লৈঙাক লাকখ্রব’তুং ২০১৬ জুন তারিখ ২৯দা।

মণিপুর গভর্ণমেন্ট’না ৭শুবা সেন্ট্রেল পে কম্মিসনগী রিকম্মেন্দেসন, ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংদসু চৎনহল্লগনি লাউথোকখিবা, ওর্দর ইস্যু তৌখিবদু ২০১৮ জুলাই তারিখ ২৮ দনি (নম্বর ১/১০/২০১৮-এফ দি (পি আই সী)। ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী পে ইমপ্লিমেন্টেসন সেল’গী ওর্দরদুদা ময়েক শেংনা হায়রি- রিকম্মেন্দেসন অসি জন্যুৱারী ১, ২০১৬ তগী চৎনগদবা ওইরবসু, ষ্টেটসিদদি এপ্রিল ১, ২০১৯দগী চৎনবা হৌগনি, তশেংনা পীবা হৌব’না ২০২০, এপ্রিল ১দগী। এপ্রিল ১, ২০১৯ দগী মার্চ ৩১, ২০২০ ফাওবগী হান্না ফংখ্রবা অমদি তশেংনা ফংলমগদবা তলবকী শেনফমগী খেন্নবা (এরিয়রগী শেনফম) অদুনা ইমপ্লোয়ী মশা মশাগী জি পি এফ একাউন্ট’তা তুংশিন্দুনা থমহনগনি। এরিয়রগী শেনফম অসিসু অনীরক থোক্লা পীগনি- ২০১৯ ওক্টোবর থাদগী পীবা হৌবা অমা, অনীশুবগীদুনা মার্চ ২০২০দগী।

সেন্ট্রেল পে কম্মিসন হায়জবগী ৱানি, কম্মিসন’সিনা রিকম্মেন্দ তৌরল্লিবা পে-ষ্ট্রকচর, সেন্ট্রেল-গভর্ণমেন্ট-ইমপ্লোয়ীখক্তগী নত্তে, গভর্ণমেন্ট সেক্তরদা থবক তৌরিবা কর্ম্মচারী খুদিংমক্কীনি। ষ্টেটশিংগী গভর্ণমেন্টনা পে-কম্মিসন’সিগী রিকম্মেন্দেসন মখোয়দি মৱা লৌরোই, তোঙানবা পে-ষ্ট্রকচর অমা শেমজদুনা মখোয়গী ইমপ্লোয়ীশিংদা পীজগনি হায়না লৈথোকপা য়ারোই। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংদা অনৌবা পে পীবা হৌবা নুমীত্তুমক্তদা ষ্টেট-গভর্ণমেন্টশিংনসু মাগী ইমপ্লোয়ীশিংদা চানবা ফিতমেন্ট ফেক্তর লেপথোক্তুনা পীবা হৌগদবনি। হৌজিক চৎনরিবা সী পি সী’সিগী মতম লোইরমদাই মথংগী কম্মিসন শেমদুনা অনৌবা পে ষ্ট্রকচর অমা শেম্নবা মতম মতীক চানা পীগদবনি। শেমদুনা লানখৎলবা তুংদসু, মদু থবক্তা ওন্থোক্লবা লৈঙাক্লা মতম অমুক লৌরিবনি, বজেটতা শেল কাইথোক্লিবনি। ষ্টেটকী শেল লৈবা নৎত্রগা লৈতবা, গভর্ণমেন্ট’তুগী গভর্ণান্স হৈবা নৎত্রগা হৈতবগী মখা পোল্লি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওর্দরদুদা পল্লিবা, অনৌবা পে পীবগী ৱারোল (এরেঞ্জমেন্ট)শিং- রিসোর্ছ লৈজদবা, সেন্ট্রেল গ্রান্তকী শেনফমদা মপাল তাঙদুনা চলাইবা ইকোনোমিসিগী ফাইনান্সল মেনেজমেন্টকী শরুক অমনি। অফবা অমদি হৈশিংবা গভর্ণমেন্ট ওইরল্লবা, ঙসি ‘মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পেনি লিমিটেদ’ (এম এস পি সী এল) অমসুং ‘মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ’ (এম এস পি দি সী এল) অনীগী ইমপ্লোয়ীশিংনা, ৭শুবা পে কম্মিসনগী ৱারোলশিং ইন্দুনা, গভর্ণমেন্টনসু অয়াবা পীখ্রবা য়াথংদুগী মতুংইন্না মখোয়দসু মান্নবা পে পীগদবনি হায়দুনা থবক শুদবগী খোঙজং অমা চঙশিল্লক্লিবসি চঙশিল্লল্লোই। ‘৭শুবা পে-ষ্ট্রকচরগী মতুংইন্না মখোয়গী খুৎশুমল ফংহনগদবনি’ হায়বা দিমান্দ অসি লৈঙাকসিগী মফমদগী থৌজাল নিবা নত্তে। ফংফম থোকপা মখোয়গী হক অমা তানবনি। এম এস পি সী এল অমদি এম এস পি দি সী এল- ইন্দিয়ন কম্পেনিজ এক্ট ১৯৫৬কী মখাদা মণিপুর ষ্টেট (ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট)না মপু ওইবা কম্পেনি ওইনা লীংখৎখিবনি। প্রাইভেট/ইন্দিভিজ্যুএল অমনা নৎত্রগা খরনা মরন্নাই ওইনা লীংখৎখিবা প্রাইভেট-কম্পেনি অমা নত্তে। মণিপুর লৈঙাক্কী ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট ওইনা লৈরিঙৈ, দিপার্টমেন্ট অসি মৈ-হুরানবা-প্রজা (কঞ্জ্যুমর) শিং অমদি মপুক শেংদবা ওফিসর-ইমপ্লোয়ীশিংগী মকোন ওইদুনা, মুৎখ্রগদবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইরম্বদু কম্পেনি অনী লীংখৎলগা, দিপার্টমেন্টতুনা পায়রম্বা থৌদাং পুম্বা শিন্নথোকখিবদগীদি লমদমসিদা ওইরম্বা ইলেক্ট্রিক পৱার সপ্লাইগী ফীভম পুমওন ওল্লকখি। মাইবনা খুৎ থারবা অনাবা অমা, শিদহিদাক অমগী মতেংনা লেঙ-ওৎপা ঙল্লক, তীক তীক লাউবা মশা ফবা মীশক ওইরকপদুগা পাঙ্খকনি। অদুগুম্বা কম্পেনিদুগী থৌমীশিং, করিগী মীরাইনা য়েংফম থোকপগে? বন্দ-ব্লোক্কেদ-কর্ফিয়ুগী পুংফম কয়াদসু মথৌ মীরাইবা তৌখিদ্রবা... কোভিদ-পেন্দেমিক মতমদা কোভিদ-ৱারিয়র ওইনমক শীংথাবীদ্রবসু লেপ্তুনা মথৌ তৌরকখিবা, ইসেন্সিঅল-সর্ভিস সেক্তরদা মথৌ-থৌপাংলিবা শিন্মী মখোয়দি পে কম্মিসন অনৌবা অমগী খুদোংচাবা লাকপদা, হায়নবা তৌদনা প্রাইওরিটাইজ তৌরগা হান্না পীফম থোকপনি। করিগুম্বা, শেন্নহৌদবা মীকূপ অমদা লাইফ-রিস্ক’সু হকচেন্নরিবা শিনফমনি। প্রাইওরিতাইজ তৌগদবা সেক্তরসু ওইরিবা, মেজর দিপার্টমেন্ট অমা ওইরম্বা কম্পেনিসিগী ইমপ্লোয়ীশিংসিতবু অপান্ননা খত্তোল্লগা খুৎশুমল তানা পীরম্বা করিগী? চুম্নগী ষ্ট্রাইক তৌরগতা তোকফম থোক্তে, হ্বাইত-পেপর অমা লৈঙাকসিদই দিমান্দ তৌফম থোকই।

মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ন (মীউ)না তাল্লিবা ৱাকৎ অসি মণিপুর লৈঙাক্লা ইখঙমক খঙদবদি নত্তে। পীরোই হায়না হেক্তর সিখাঙ খাঙবসু নত্তে। ২০২০ দিসেম্বর ১১দা লৈঙাক্কী পৱার দিপার্টমেন্টকী ওথোরিটিগা ‘মীউ’গী মীহুৎশিংগা ফম্মীন্নদুনা ৱারী শানরগা মেমোরেন্দম ওফ অন্দর্টেকিং অমদা খুৎয়েক পীনখি। ২০২১ ফেব্রুৱারী থা লোইশিল্লকপদা সেভেন্থ-পে-রিভিজন পীননবগী ৱারেপ অমা লৌরগা লৈঙাক্তা পীশিনগনি, থাজবা পীখি। এম ও য়ু অমা ইনখি হায়বা কাউথোকখি। শিন্মীশিংগী ঈহৌ অমা বার্তন তৌখি। ষ্ট্রাইক অদু লোইশিন্নবা, অমুক মোইথেম তৌদুনা থা অমগী মনুংদা ‘দিমান্দ অদু পীরগনি’ হায়দুনা ২০২১, এপ্রিল ১৯দা অতোপ্পা এম ও য়ু অমদমুক খুৎয়েক পীনখি। হিংচাবীনা শরী শোনবনি হায়বা খঙনা খঙনা মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ন, এম এস পি দি সী এল ওফিসর্স য়ুনিয়ন অমদি পৱার ইঞ্জিনিয়রিং সর্ভিসেস এসোসিয়েসন, তূমিন য়েংদুনা লৈখি- সরকার’না করি তৌরকপগে? ষ্ট্রাইক নোতিস থওইখিদে। এসোসিয়েসন ময়ামগী অপূনবা ‘জোইন্ট এক্সন কম্মিটি’না- থবক লেপ্পা ষ্ট্রাইক চঙশিল্লকপা, য়ারক্তবা মৈ শেন্লক্তবা, মৈ মুৎপা য়াওরকপদদি খঙলক্লে- ‘তোংলিবা খোঙউপ অদুদা য়োৎপী য়ুরিবদু কদায়দনো? ইমপ্লোয়ীশিংনা থওইনা মুখৎপনি- মরাল শীনবা হোৎনরকই। তানফম অসি য়ৌরফাও, ৱাকৎ অসিগী অচুম অরান খঙবীনবা হোৎনদ্রি।... ‘খুদোংচাগদবা তারিখ অমা লেপথোক্লগা কম্পেনি অনীসিদা থবক শুরিবা ইমপ্লোয়ীশিংদা (ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টতগী দিপ্যুটেসন্দা লৈখিবশিংসু য়াওনা) সেভেন্থ পে পীরগনি হায়না কেবিনেটনা ৱারেপ লৌরে, ষ্ট্রাইক অসি হন্দোকপীয়ু’... অতোপ্পা হিংচাবীগী শরী অমনা, ষ্ট্রাইক অদু মতম খরগী ওইনা হন্দোকহনখ্রে। উইশিনখ্রবা মীৎ কৈদৌঙৈ অমুক পাঙথোরক্কনি-ঙাইবা তারি য়েংদুনা। ইসেন্সিয়েল সর্ভিস সেক্তরগী ত্রেদ য়ুনিয়ন লীদর অমগী ‘নেগোসিয়েসন স্কিল’ ৱাৎপগী প্রোব্লেম অমা জে এ সী লীদরশিংদা লৈবরা? ইদোম খঞ্জরকপনি। ষ্ট্রাইক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিং নেগোসিয়েসন টেবলদদি ইমপ্লোয়র/ইমপ্লোয়ী অনীগী লৈনবা মরী কাউথোকঙমগদবনি।

লৌশিং পুক্কে

ফর্ষ্ট এইদ:

তম্বা ঙমদবা হেল্থ ইস্যুশিংগীদমক চখবা অহানবা লায়েং-১

ফর্ষ্ট এইদ হায়বসি তম্বা ঙমদবা হকশেলগী খুদোংচাদবশিং থোক্লকপা মতমদা খুদোংথীবা তারিবা মীওই অদুগী থৱায় কন্নবগীদমক নৎত্রগা মেদিকেল প্রোফেসনেল অমনা মহাকপু লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংদ্রিবা ফাওবগী ওইনা খুদোংচাদবা ফিভম অদুবু হেন্না শোকচিলহন্দনা থম্নবগীদমক চখবা খুদক্কী ওইবা লায়েং অদুবুনি। ইমর্জেন্সি ওইবা ফিভম হায়বসি হায়রম্বা-তাক্লম্বা তৌদনা লাকপা মরম্না ফর্ষ্ট এইদকী বেসিক স্কিলশিং লৈবা হায়বসি য়াম্না কান্নে অমদি ফিভম অদুবু নীংথিনা অমদি পাখৎতনা মায়োক্লবা ঙম্নবগীদমক করি তৌগদবনো হায়বদু খঙবা অমদি মরুওইবা চঙগদবা পোৎলমশিং থম্বা মথৌ তাই।

ফর্ষ্ট এইদ কিট অমা লাঙবা

মথৌ তাবা মচাকশিং নীংথিনা য়াওরবা ফর্ষ্ট এইদ কিট অমা হায়বসি য়ুমদা লৈরিঙৈদা অমদি চথোক-খোত্তোকপা মতমদা থেংনবা অচম্বা অশোক-অপনশিং লায়েংনবগীদমক তঙাই ফদে। ফর্ষ্ট এইদ কিট অমদা হাপকদবা পোৎলমশিংদি এদহিসিভ টেপ, অলকোহোল ৱাইপ্স, এল্লর্জিগী হীদাক-লাংথক, টেব্লেট দিস্প্রিন (থবাক নাবগী), এন্টিবাইওটিক মোলোম, অচৌ-মচা খেন্নবা বেন্দশিং, সিলভরেক্স মোলোম (মৈ/ঈশিং অশাবনা পোকপগী), কোল্ড পেকশিং, পেদশিং অমসুং বেন্দেজকী রোলশিং, হেন্দ সেনিটাইজর, হাইদ্রোকোর্টিসোন য়াওবা ক্রিম, লেটেক্স ফ্রী গ্লোভশিং, পেইন রিলিভরশিং খুদম ওইনা আইবুপ্রোফেন অমসুং এসিটামিনোফেন, সেলাইন ৱুন্দ ৱাশ, ত্বিজর অমসুং কাটিনচিংবশিংনি। কিট অদু থিবদি লায়গদবা অঙাংনদি লাম্বা ফংলোইদবা অৱাংবা মফমগুম্বদা থমগদবনি। পোৎলমশিং অদু তোয়না শীজিন্নরবদি লোইথোকখিবা য়াই, অমদি য়াম্না তাঙনদং শীজিন্নবা ওইরগনা হীদাকশিং অদু এক্সপায়র ওইখিবা য়াই। মরম অদুনা চহী অমগী য়ামদ্রবদা অমুরক্তি পোৎলমশিং অদু য়েংশিন্দুনা অহাঙবা নৎত্রগা মতম হেল্লবা পোৎলমশিং শিন্দোক্কদবনি।

মৈনা নৎত্রগা ঈশিং অশাবনা খজিক পোকখিবা, থাঙ-তেননা শোকখিবা, ঈরাক্লবা, মৈনা চিংবা, লিননা চীকপা, খোইনা চীকপা অসিনচিংবা মতমদা মীওই অমনা করি তৌগদগে হায়বদু মখাদা চাউরাক্লা পীরি:

থবাক নাবা

করিগুম্বা থবাক ময়ায়দা য়াম্না অকনবা মওংদা নাবা ফাওরবা, নীংশা হোনবা ৱারবা অমদি হুমাং অনপ্পী কাংলবা, ফিভম অসিদা ইথন্তা লৈবা ওইরগদি অতোপ্পা মীওইদা মতেং পাংবিনবগীদমক শুকশোয় শোয়দনা কৌগদবনি।

- এস্পিরিন/দিস্পিরিন ৩২৫ এম জি খুদক্তা চাগদবনি।
- এম্বুলেন্স কৌগদবনি নৎত্রগা খ্বাইদগী নক্না লৈবা হোস্পিটাল অমদা হেক য়ারিমখৈ থুনা চৎকদবনি।

ঈরাক্লবগী ওইরগদি:

- কনাগুম্বা অমা ঈরাক্লরগদি ইশা হান্না শাফগদবা মফমদা লৈবা হায়বসি কাউরোইদবনি। ইশামক ইরোইবা হৈবা নৎত্রগদি ঈশিং মনাক্তা নকশিন্না চঙশিল্লোইদবনি।
- ইমর্জেন্সি কোল তৌগদবনি অমদি ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স টিম অমদা খঙহনগদবনি।
- ঈরাক্লরিবা মীওই অদুবু ঈশিংদগী চিংখৎকনি অমদি মহাক্কী রিএক্সন লৈবরা য়েংগনি অমদি রেদিএল আর্টরি (খুদাংদা) নৎত্রগা কেরোটিদ আর্টরিদা (ঙকশমদা) মিহুল লৈবরা য়েংগনি।
- মিহুল লৈত্রবা নৎত্রগা নীংশা হোনবগী খুদম ফংদ্রবা, অদু ওইরগদি সী পি আর তৌগনি। সী পি আর তৌনবগীদমক থবাক্কী নিপল মপাদা খুবাক থমদুনা মিনিট অমদা ১০০-১২০গী চাংদা কমপ্রেসন (নম্বা) তৌগনি।
- ঈরাক্লরিবা মীওই অদুগী নীংশা হোনবগী লম্বীবু চপ তিংনা থল্লগা (লোংনা হীপ্পগা কোক্লা মখাদা নমথরগা খদাঙনা ৱাংখৎহল্লগা) আর্টিফিসিএল রেস্পিরেসন তৌবা হৌগনি। মদুগী মতুংদা নুংশিৎ চৎহন্দনবা মওংদা ঈরাক্লরিবা মীওই অদুগী চীন অদুবু ইশাগী চীননা উমশিন্দুনা (খুমজিন্দুনা) চাং নাইনা নীংশা কামগনি।
- কম্প্রেসনশিং অমসুং নীংশা হোলহনবগী চাং অসি ৩০:২গী রেসিওদা চথবা হৌগনি।
- ঈরাক্লরিবা মীওই অদু মিহুলদি লৈরগা নীংশা হোন্দ্রবদি আর্টিফিসিএল রেস্পিরেসন নৎত্রগা মাউথ টু মাউথ ব্রিধিং (ইশাগী চীনদগী ঈরাক্লরিবা মীওই অদুগী চীনদা হকথেংননা নীংশা কামবা) তৌগনি।
- স্পাইনেল ইঞ্জ্যুরিশিং (য়াংলেন শরু পরেংদা শোকপা) য়াওদ্রগদি ঈরাক্লরিবা মীওই অদুবু শৌবিদুনা/চৈঙাক পীবিদুনা রিকভরি পোজিসন (নীংশা হোনবগী লম্বীদা লৈরম্বা ঈশিং নৎত্রগা মহী-মনাইশিং চুমথখিনবা মওংদা চেপনা হীপহনবা পোজিসন) দা থম্বিগনি।
- ঈরাক্লরিবা মীওই অদুগী মফি-মরোলশিং হোংদোকপিদুনা লুম্না থম্বিগনি।
- ইমর্জেন্সি রেস্ক্যু ক্রু হেক লাকপগা মীওই অদুবু হোস্পিটালদা পুগদবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

মমি ৱারী থৱান

মতমগী হুমাংনা তোৎশিন্নরবা থবকশিংগী মনুংদা শিন্মীশিংগী খোৗরাংবগী নুংশিং শিংলি। শিন্মীশিংগী খৌরাংবগা ঐখোয়গী খৌরাংবগা করি খেন্নে।
হকচাং, হুমাং অমসুং মতম

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

এস ও পিগী পাম্বে খক্তনা কোভিদ-১৯গী লায়না লইচৎপু মায়থিবা পীবা ঙমগনি

কোভিদ-১৯না শিবগী মশিং দিজিট অনী ওইরম্বদগী মরক্তা মী শিদবা নুমীৎ য়াওনা হৌজিক্তি নোংমদা মীওই অমা অনীদগী হেন্না শিদবগা লোয়ননা নাবগী মশিংসু অদুক্কী মতিক হন্থরক্লে। মসি কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী চাং চাদা ৮৫/৯০ ওইরকপা অমসুং এস ও পি নীংথিনা মেন্টেন তৌনখিবনা ওইরম্বা য়াই। অসুম্না তপ্না-তপ্না কোভিদ-১৯ শাফরক্লবদি মতম কুইনদগী হাংবা য়াদদুনা লৈরক্লবা ইমা কৈথেল মরি, স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি, প্রাইভেট ওফিসশিং মথং-মথং হাংলক্তুনা কোভিদ-১৯ মমাংগী ফীভমদা অমুক হন্না হঞ্জিল্লক্লগনি হায়না মীয়াম্না খন্নে। মরুওইনা মীয়ামগী মাংদা থোক্তুনা লীলা, দ্রমা, জ গোই, ইশৈগী থৌগল তৌদুনা হৈশিংবা উৎলগা মীয়াম্বু পুক্নিং পেলহল্লম্বা আর্টিষ্ট ওইবশিংনা হেন্না মখোয়গী শিনফমদা হঞ্জিল্লক্লগনি খন্দুনা হরাউবা পোকচবগা লোয়ননা শিনফম নাইবা শীন্মিশিংসু মখোয়না হান্নগী শিনফমদা হঞ্জিল্লক্লবা কোভিদ-১৯ শাফরকপা ঙাইদুনা লৈনরি। অদুবু লুরিবদি কোভিদ-১৯না ঙম্বরা ঙমদা ঐখোয়না ঙম্বরা ঙমদা অতাবি অমা খঙদনা লৈবসিনা মরম ওইরগা হীরম খুদিংমক হেক্তা পাঙথোকপদি অপনবদি হেক্তা ওইরি। অদুবু হৌজিক্তি কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা শীজিন্নরিবা পাম্বে য়াম্না খুমাং চাওশিনখ্রবনা ঐখোয়না কা হেন্না কীরুবগী ৱাখলদি থাদোকপা চুম্লে। মরমদি এস ও পিগী পাম্বেতনসু কোভিদ-১৯ লাকশিনবা ঙম্লগনি হায়বা ঐখোয় পূম্নমক্লা খঙদুনা লৈরে। মরম অদুনা এস ও পি ঙাকসি।

❒ এল ইবোমচা, তাউথোং

নুপীশিংবু ইকায়খুম্নসি থবক লৌবদা মখোয়গী রিজর্ভ থমসি শুপ্নগী চিনহায় তাগদৌরিব্রা?



মণিপুরগী মীয়ামদি নুপী ওইবিশিংবু ইকায়খুম্নবা অৱাংবা থাক্তা থমজবা মীওইশিংনি। অসিতসু নত্তনা মালেমদা লৈতবা নুপীশিংতগী ওইবা কৈথেল ইম্ফাল ময়োলমক্তদা থল্লিবনি। মসিখক্তনা সেন্টরগী গভর্ণমেন্টনা মশক খঙবিদুনা নুপীশিংদা থোইদোক্লা ইকায়খুম্নবগী মশক ওইরবা ‘সুশমা স্বরাজগী এৱার্দ ফাওবা পীখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী লৈমায়দা লুকথদুনা য়েংলুবদা ঙসিগী নুপী ওইবিশিংগী ফীভমশিং করম্বা থাক্তা লৈরিবগে হায়বসি মীয়াম্না অদুমক খঙলি-উরি।’ অদুবু ইন্দিয়া পুম্বদা নুপীদা পৱার পীগদবনি হায়না লাউরি। নুপী ওইবিশিংবু ইকায়খুম্ন বিগদবনি। নুংশিবা মীৎয়েংনা য়েংবিগদবনি হায়রি। লাইরিক লাইশু মতিক চানা তমহনগদবনি লেপ্তুনা লাউরি। অদুবু হায়রিবা থবকশিং অসি চিন্দা ওইনা তৌরি। থবক ওইনদি কদাই ফাওবা মপুং ফানা পাঙথোক্লি হায়বসি মীয়াম্নসু হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মণিপুরদসু অদুমঙাই নুপী ওইবিশিংগী থাকসি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে? লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা নুপী কেন্দিদেটশিং মশিং য়াম্না থাদোকসি। নুপী মীরেপ মরাং কায়না কাহনসি। নুপা মীরেপশিংগী মীয়ামগী থবক খুতৌসি মীয়াম্না ৱাবা কুইরক্লে। থোকপীরকউ মতিং লৈবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিগুম্বী, মমতা বেনরজিগুম্বী মখোয়না ঙল্লগা মৈতৈ নুপীশিংনা করিগী ঙল্লোই। মণিপুরী মীয়াম্নসু লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা নুপী মীরেপশিংবু য়াম্না কাহল্লগা অনৌবা অওনবা অমত্তং শেম্নবা হোৎনমিন্নরসি। অরিবা উপালশিং য়ান্থৎলগা অনৌবা উপালশিং থাদুনা মদুগী মরুমদা অমুক পোৎথানবা ঐখোয় পূম্নমক্লা হোৎনমিন্নরসি।

❒ ওইনাম কুঞ্জেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৭।০৯।২০২১ ইং, ইরাই, অয়ুক পুং ৮.০৮ ফাওবা লাংবনগী ১১নি পাল্লি, মতুং ১২ নি পানগনি।

মেষ: নিংবা থুংবা ইচঙ থৌবা হেনবনা কান্নবা ফংজবা, নচা-ননাইগী লমদা পুক্নিং পেঞ্জবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা নুমিৎনি। অফবা মীংচৎসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: ঙসিসু অচুম্বনা মায় পাক্কদবা অমদি পল্লম্বা শেল-থুম থেংলপ্না ফংবা য়াবা নুমিৎনি। খাঙবা কনবা, ৱা য়াম্না ঙাংদবা অমদি ফিংদবনা হেন্না শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

মিথুন: অথেংবদা মীয়ামগী মতেং ফংজৌ হায়বা লৈ অমদি হরাওবা নুংঙাইবা ফংগনি। অঙনবদদি য়েৎনবা অমদি মীতোপ্পা লৌথোক চাথোকনিংবা য়ামগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং ফাজিল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: লাইবক থোইনা ফগনি, হকচাং খীংগনি অমদি শেন্দোং তানবা থবক্তনা হেন্না মায় পাকপা হায়বদো ওই। নচাক নরল চাওখৎলগনি, মীকোক থোংলনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ: লাইবক ফরনি, ওইজ-ওইথক ফংগনি অমদি নিংবদুমক মীনা ইনশিনবা ঙায়দনা পাঙবা য়াগনি। তৌবতবু অনম তানবা, চিন কনবা/শাওবনদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা: অচুম্বা অমদি ইমুং মনুংগী ৱা লৌবতনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। লৌশিং চাওই অমদি অফবা পাউতাক লৌশিনবা কান্নগনি। য়েৎনবা, থবক পনবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা য়াম্না ঙাংবা মাঙজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

তুলা: হরাওবা নুংঙাইজবা অমদি মীয়াম্না য়াবদি হান্নগুম লৈ। অদুবু অনৌবা মী লোয়নবা য়াদবা অমদি য়েক্লবনা মরুপ মপাং কায়ননবা শিনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: অফবা মফম ফংজবা, মীচঙ খোম্বা য়াবা অমদি ইচঙ থৌবগী কান্নবা য়াম্না ফংজবা নুমিৎনি। অদুবু ঈরাং পুরদি হেন্না চাদিং তৌবা /কায়নবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

ধনু: কল্লকপা য়েংশিনবা অমদি লাংতক্লবা লৈরসু খাঙবা কল্লদি নরল ময়েং তারোই। ইমুং মনুংগী ৱা তাবনা অমদি নিংথিনা পোরম য়াৎপনা কান্নবদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংথোকপদা থাগৎপি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর: হরাওবা, ৱাখল থোকপা অমদি ইমুং-মনুংগী ৱাতনা থৌপাংবা ঙমজবা নুমিৎনি। য়েৎনরদি মাঙজবা, লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা অমদি চিংনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

কুম্ভ: মহু চাওবনা তাথিবা, অনম তানবনা মীকোক থোংবা ৱাবা অমদি মীৱা লৌদবনা ফবা নুমিৎনি। অদুবু অফবা মরুপসু ফংবা অমদি লাই গুরুনা চানবীবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: শেল-থুমগী লমদা চাওনা মায় পাক্কনি, অনৌবা থৌরম পাঙবা য়াগনি অমদি ৱাখল থোক্কনি। অদুবু হন্থবা লোয়নগনু, নাপল তৌগনু, ৱানোম্বা মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।